# মোজাম্বিকনা নোংলৈ নুংশিৎতা শিখিবা মীওই চা কয়াগীদমক্তা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা অৱাবা ফোঙদোক্লগনি




হরারে, মর্চ ২০(এজেন্সি):

সাউথ ইষ্ট অফ্রিকাদা মতিক ময়াই লৈরবা নোংলৈ নুংশিৎ অমা শিৎচিল্লক্তুনা মফম কয়া ঈশিং থুমজিনবদগী মীওই চা কয়া শিখ্রবা অমসুং অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখ্রবা মতুংদা মোজাম্বিকনা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা অৱাবা ফোঙদোক্লবা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা য়ুমশকৈশা নুমিত্তগী লৈবাক্কী ওইনা অৱাব ফোঙদোকপা হৌখ্রে।

নোংলৈ নুংশিৎ ইদাইনা হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা পুংদা কিলোমিটর ১৭০ ফাওবগী চাংদা য়াঙবা নুংশিৎকী খোঙজেলগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী হিথাংফম সিটি বৈরাদা শিৎচিল্লকখি। অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মফম অদুগী য়ুম কয়া অমাঙ-অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা মীওই মিলিয়ন কয়াগী পুন্সিসু খুদোংথিবা ফিভমদা লৈহনখি।

দ্রোনগী ফুটেজনা হিথাংফম টাউন অদুগী মীশিংনা নোংলৈ নুংশিৎ লাকখিবা নুমিৎ কয়ানিমুক্কী মতুংদা অকাই-অতোই মরক্তা লৈফম চাফমশিং শেম্নবা ৱানা হোৎনবগী শক্তম উৎখি। রেদ ক্রোসনা থাদোরকপা ফিল্ম অদুনা বিল্ডিং কয়া নোংলৈ নুংশিৎনা হুমখিবদগী পুংহাং হাংলবা মফমশিংদা চেরং অপাকপশিং শীজিন্নদুনা লৈফম-চাফম শেম্নবা হোৎনবগী শক্তম উৎখি।

মোজাম্বিক, জিম্বাবৱে অমসুং মালিৱিদা ঈশিং ঈচাও চাওনা থোক্লে, য়ুম-কৈ কয়া মাঙ তাকখ্রে। মীশি মীনা কয়া পাক শন্না থোকখ্রে। মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ, মচিন-মনাওশিং কয়াগী পুন্সি লোমখিবদগী অৱাবা কয়া খাঙলিবশিংগীদমক্তা শেম্বীবা মপুদা খুরুমজরি অমদি ঐহাকসু মখোয়গী অৱাবদা শরুক য়াজরি হায়না পোপ ফ্রান্সিসনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

মোজাম্বিককী প্রসিদেন্ট ফিলিপ ন্যুসিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মহাক্কী লৈবাক্কী মীওই ২০০ হেন্না হাৎখ্রে, রেস্ক্যু ৱার্করশিংনসু অশিবা হকচাংশিং থেংনবা লেপত্রি।

য়ুমথংনবা জিম্বাবৱেদা নোংলৈ নুংশিৎ ইদাইনা শিহনখিবা মী মশিং ওফিসল ওইনা ৯৮নি হায়না লাউথোকখ্রে। তৌইগুম্বসুং হৌজিকসু মীওই চা কয়া থিবা খঙদনা লৈবনা অশিবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়না থাজনরি।

নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা খ্বাইদগী ফিভম থীনা শোকহনখিবা জিম্বাবৱেগী নোংপোক থংবা শরুকশিংদা অৱাবা নংলবা ইমুংশিংনা অশিবা হকচাংশিং হাথু হাথু লৈরোল চন্নখি। ফিভম অদু নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা পৱার সপ্লাই থদৎখিবা অমসুং মোর্চ্যুআরিশিং মথৌ তৌহনখিদবদগীনি।

মালিৱিগী ওইনদি নোংলৈ নুংশিৎ অদুদা মীশি-মীনা থোকখিবশিংগী অকুপ্পশিং ফোঙলক্ত্রি। এইদ গ্রুপশিংনা ফোঙদোকখিবদা, মখোয়না অমাঙ-অতা থোক্লবা লম্বীশিং অমসুং ঈশিং থুমজিল্লবা ভিলেজশিংনা কোয়শিল্লিবা মোজাম্বিক্কী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লাংদা থুবগুম থোকপা য়াদনা লৈরিবা মীশিংবু কন্নবা মখোয়গী মফম য়ৌশিন্নবা হোৎনরি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অহানবগী ওইনা মোজাম্বিক, মালিৱি অমসুং জিম্বাবৱেগীদমক্তা য়ুরো মিলিয়ন ৩.৫ (দোলর মিলিয়ন ৩.৯৭)কী ইমরজেন্সি এইদ পেকেজ লাউথোকখ্রে। এইদ পেকেজ অদু ইমরজেন্সি সেল্টরশিং শাবা হাইজিন, সেনিতেসন অমসুং হেল্থ কেয়রদা শীজিন্নগদবনি।

# থাইলেন্দগী পোপ্যুলিষ্টশিংনা প্রো-মিলিটরিবু মায়থিবা পীদুনা মীখলদা মায় পাক্কনি হায়না থাজরি



বেঙ্গোক, মর্চ ২০(এজেন্সি):

থাইলেন্দদা কুমজা ২০১৪ দা মিলিটরি কূ পাঙথোকখিবা চহী মঙারোমগী মতুং নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অদুগী মীখলদা অর্মিনা চহী ১০ গী মতমগী মনুংদা অনীরক লৈঙাক পায়রম্বদগী চিংথুখিবা পোপ্যুলিষ্ট মুভমেন্টসু কন্টেষ্ট তৌরি।

মীখলদা হৌজিক লৈরিবা ওথোরিটিশিংনা অরান-অহুইগী থৌওং কয়া চখ্থখি হায়না মমাঙদা মরাল শিখিবা লৈরবসু হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর থকশিন শিনৱাতাগা মরী লৈনবা ফ্যু থাই পার্টিনা লৈবাক অদুদা হৌজিক্কী সিষ্টেম অদুবু শোয়দনা মায়থিবা পীবা ঙমগনি হায়না থাজরি। কুমজা ২০০১ গী পাঙথোকখিবা মীখল খুদিংমক্তা হান্নগী টেলিকম্যুনিকেসন টাইফুন অদুগী লোয়েলিষ্টশিংনা মায় পাক্তুনা লাকখিবনি।

হন্দকসু অনৌবা ভোট ফংনবগীদমক্তা অমসুং জন্টানা পুথোকপা ইলেক্তরেল রুলশিং লাকহৎপা ঙম্নবা অতৈ পার্টিশিংগা দেম্মক্রেটিক ফ্রন্ট অমা শেম্ননবা ফ্যু থাইনা মসিগী ফোর্সশিং খাইদোক্তুনা অনৌবা লাল্লোং অমা য়াৎখ্রে।

পনবা য়াবদি জন্টানা ইবা মীখলগী রুলশিংনা জন্টাগী চীফ প্রয়ুথ চান-ওচাবু মখা তানা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা লৈহন্নবা হোৎনরিবা পার্টিদা খুদোংচাবা চাওনা পীরি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী মীখল অসিদা পার্টি ৮১ না কন্টেষ্ট তৌরি। তৌইগম্বসুং লম্বা তৌনরিবসি ফ্যু থাই অমসুং দিমোক্রেসি ফ্রন্টকী মীচংশিংগা প্রয়ুথপু প্রাইম মিনিষ্টরগী কেন্দিদেট ওইনা নোমিনেট তৌখিবা প্রো-আর্মি পলোং প্রচারত পার্টিগনি। ওপিয়িন পোলশিংনা হন্দকসু প্যু থাই পার্টিনা ভোট মশিং হেন্না ফংগনি হায়বগী ঈঙ্গিৎ পীখ্রে। পার্টি অসিনা মীচঙশিংগা পুল্লগা সিট ৫০০ লৈবা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসতা খ্বাইদগী চাওবা ব্লোক শেম্বা ঙমগনি হায়না থাজরি। তৌইগুম্বসুং ফিভম অসিমক্তি তাদবা য়ানা লৈ মরমদি জন্টানা ইবা অনৌবা কন্সটিট্যুসননা পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাউস ওইরিবা সিট ২৫০ লৈবা সিনেটপু প্রাইম মিনিষ্টর খন্নবা লৱার হাউসকা লোয়ননা ভোট লৌনহল্লি। সিনেট অপুম্বসু জন্টানা খনখিবা ঙাক্তনি। অসুম্না নোংমাইজিং নুমিত্তা মথংগী লৈঙাক খনবদা প্রো-জন্টা পার্টিশিংনা শুপ্নগী লৱার হাউসকী মিট ১২৬ তমক ফংবা চঙলি।

অমরোমদা সিনেটকী সপোর্ট অমত্তা ফংলরোইদবা ফ্যু থাই অমসুং মীচঙশিংনা লৈঙাক শেম্নবগীদমক্তা অপুনবা পার্লিয়ামেন্টকী সিট ৩৭৫ হায়বদি অপুনবা সিট মশিংগী শরুক মরি থোকপগী অহুম ফংদবা য়াদ্রি।

খুদোংচাদবা কয়া লৈদুনসু ফ্যু থাইগী মরু ওইবা প্রাইম মিনিষ্টরিএল কেন্দিদেট সুদারাত বোয়ুরাফাননা দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট অমনা মিলিটরিবু মথংগী লৈঙাক কন্ট্রোল তৌহনদবা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

# মতিক ময়াই লৈরবা অলজিরিয়ন পার্টি অমনা প্রসিদেন্ট বৌতেফ্লিকা শৌগৎপা তোকখ্রে



অলজিয়র্স, মর্চ ২০(এজেন্সি):

মতম শাংনা অব্দেলঅবিজ বৌটেফ্লিকাবু শৌগত্তুনা লাকখিবা লৈবাক অদুদা ঈথিল চাওনা পীবা ঙম্বা অলজিরিন পার্টি অমনা হৌজিক মশা ঙমদদুনা লৈরিবা প্রসিদেন্ট অদুবু মখা তানা পৱার কোন্দুনা লৈনবা হোৎনবগীদমক্তগা ক্রিটিসাইজ তৌখ্রে। মীয়াম্না দেমোন্সত্রেসন কয়া পাক্তক্লনা পাঙথোক্লিঙৈদা লাক্লিবা খোঙথাং অসিনা রুলিং এলিটতা অনৌবা চৈথেং অমা পীরে হায়রি।

রুলিং কোএলিসন মেম্বর অমা ওইরিবা নেসনল রেলি ফোর দিমোক্রেসি (আর এন দি)সু হন্দক নুমিৎ খরনি অসিদা বৌটেফ্লিকাবু থাদোকখিবা রুলিং পার্টিগী ওফিসলশিং, য়ুনিয়নশিং অমসুং বিজনেস টাইকুনশিংগী মতুং ইন্নগী ৱারেপ লৌরকখিবনি। থা অমরোম অসিদা পাক শন্না দেমোন্সত্রেসনশিং অমদি প্রোটেষ্টশিং লেপ্তুনা চখ্থরকখিবগা ঈরোয়ননা আর এন দিগী মায়কৈদগীসু খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

প্রসিদেন্ট অব্দেলঅজিজ বৌটেফ্লিকানা অনৌবা টর্ম অমগীদমক্তা কেন্দিদেট অমা ওইনা চোংথরকপা হায়বসি অচৌবা অশোয়বা অমনি হায়না আর এন দিগী স্পোক্সমেন মেদ্দিক চিহাবনা এল বিলাদ টিভিদা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা অলজিরিয়ন আর্মিগী মায়কৈদগীসু প্রোটেষ্টরশিংগী পান্দমদা অফবা কয়া য়াওরি হায়না ফোঙদোকখ্রে। হৌখিবা চহী খরসি কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা ফোর্সশিংনা পৱার পায়শিনখিবগী মওং উবা ফংই। মখোয়না লিগেল ফ্রের্মৱাক্কী ৱাঙমদা লৈঙাক্কী থবক থৌরমশিং পায়রি হায়না আর্মিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

চহী ২০ লৈবাক অদুগী লৈঙাক পায়দুনা লাকখিবা বৌটেফ্লিকানা হৌখিবা চয়োলদা মঙাশুবা টর্ম অমগসু পায়নবা মহাক্না লাংলকখিবা থৌরাং থাদোক্লগনি হায়না প্রোটেষ্টরশিংদা থাজবা পীখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না খুদক্তা মফম থাদোককপগী মহুত্তা অনৌবা কন্সটিট্যুসন অমা শেমদ্রিফাওবা মখা তানা ওফিস পায়খিগনি হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা মহাক্কী হৌজিক্কী টর্মগী মতম শাংদোকহনখিবনি। মহাক্কী খোঙথাংশিংনা দেমোন্সট্রেসনশিং লেপহনবা ঙমখিদে। ইরাই নুমিত্তা মীয়ামগী ইরাং হেন্না কনখৎলকপা উখি। প্রোষ্টেটর লিশিং লিশিংনা অলজিয়র্সকী লম্বীশিংদা বৌটে-ফ্লিকাগী মায়োক্তা রেলি পাঙথোকখি।

হান্না লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্লব ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংগসু মরী ফনবা আর এন দিগী লুচিংবা অহম্মদ উয়াহিয়াসু মায়কৈ হোংখ্রে। মীয়ামগী দিমান্দদাং য়াম্না থুনা ফংহনগদবনি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা মহাক্কী খোঙলোইশিংদা ইবা লেট্টর অমদা মহাক্না ফোঙদোকখি। মতিক ময়াই লৈরবা অতোপ্পা মীশক অমা ওইরিবা বৌটেফ্লিকাগী মনাওনুপা সেইদ হৌজিক ফাওবদা ইরাংদুগা মরী লৈননা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা তুমিন্না লৈরি। এক্তিভিষ্টশিং অমসুং ওপোজিসনগী মীওইশিংনা লুচিংবা অনৌবা গ্রুপ অমনসু আর্মিদা খুৎ থীংজিল্লক্তনবা হায়খ্রে হায়রি।

# সোমালিয়াদা য়ু এস মিলিটরিনা ৱার ক্রাইমশিং চখ্থরম্বা য়াই : এম্নেষ্টি ইন্টরনেসনলগী রিপোর্ট

নাইরোবী, মর্চ ২০(এজেন্সি):

হৌখিবা চহী অনীরোম অসিদা সোমালিয়াদা এয়র ষ্ট্রাইকশিংগী কেম্পেয়ন খঙহেন হেনগত্তুনা মীচমশিংদা মীশি-মীনা চাওনা থোকহন-খিবগীদমক্তা য়ু এস মিলিটরি অসি ৱার ক্রাইম কয়া চখ্থবগী মরাল লৈরম্বা য়াই হায়না এম্নেষ্টি ইন্টরনেসনলনা ফোঙদোকখ্রে।

রাইটস গ্রুপ অদুনা হায়, শুপ্নগী এয়রষ্ট্রাইক ৫ চখ্থবগী ইনভেষ্টিগেসনদা মীচম ১৪ শিরম্বা থেংনরে। কুমজা ২০১৭ তগী য়ু এস মিলিটরিনা এয়র কেম্পেয়ন হৌখিবদগী য়ামদ্রবদা এয়রষ্ট্রাইক ১১০ দি পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা, এম্নেষ্টিগী রিপোর্ট অদুবু য়ু এস মিলিটরিনা য়াখিদ্রে। য়ু এস মিলিটরিনা হায়, হায়রিবা মতম অদুগী মনুংদা সোমালিয়াদা চখ্থিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা মিলিটেন্ট ৮০০ হাৎখ্রে তৌইগুম্বসুং মীচম অমত্তা শীহনখিবা নৎত্রগা শোকহনখিবা লৈখিদে।

য়ু এস অফ্রিকা কম্মান্দগী মখাদা চখ্থিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংনা মরম ওইদুনা মীচমশিংদা মীশি-মীনা থোকহনখিবা লৈতে হায়না ঐখোয়না লৌই হায়না য়ু এস মিলিটরিগী অফ্রিকা কম্মান্দ অখ্রিকোমনা ন্যুজ এজেন্সি অমদা ঈ-মেলদা ফোঙদোকখি।

এম্নেষ্টি ইন্টরনেসনলগী সিনিয়র ক্রাইসিস এদভাইজর ওন আর্মস এন্দ মিলিটরি ওপরেসন্স ব্রীয়ন কাষ্টনরনা হায়, রাইটস গ্রুপ অসিগী ইনভেটিগেসনদা এয়রষ্ট্রাইক খরখক্তা থোক্লিবা মীচমশিং শিবগী চাং অসিনা সোমালিয়াগী লানদা য়ু এসনা লৌরিবা থৌদাংদা মুন্না খঙবা ঙমদবা অরোনবা খরা লৈরম্বা য়াই হায়বগী ঈঙ্গিৎ পী।



এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদুবু থৌরাং তৌখিবা অমসুং পাঙথোকখিবা য়ু এস লৈঙাক্কী ফোর্সশিংগী মীওইশিংনা লোনা য়াদবা মীহাৎ চখ্থবা য়াওনা ইন্টরনেসনল হ্যুমেনিটেরিয়ন লো খোঙ্গাওনবগী থৌওংশিং চখ্থরম্বা য়াই হায়না লৌবা য়াই। অসিগুম্বা মীহাৎশিং ৱার ক্রাইমশিংগী মনুং চল্লি হায়না এম্নেষ্টিগী রিপোর্টনা হায়খি।

মালেমগী খ্বাইদগী লায়রবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সোমালিয়াদা কুমজা ১৯৯১দগী সিভিল ৱার অমসুং ইনসিক্যুরিটিগী অচৌবা ফিভম অমা লৈরকখিবনি। হৌজিক চহী খরা অসিদা মোগাদিসুদা লৈবা য়ু এননা বেকিং পীবা লৈঙাকপু য়ু এস মিলিটরিনা শৌগৎখি। লৈঙাক অদু অল সাবাব ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট গ্রুপশিংগী লালহৌ থেংনরকখিবনি।

কুমজা ২০১৭ তা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা সোমালিয়াদা ষ্ট্রাইকশিং অমসুং রেইদশিং পাঙথোক্লবা মিলিটরিদা ওথোরিটি হেন্না পীখি। মিলিটেন্টশিংনা য়ু এসকী মীচংশিংদা এটেক তৌবা ঙাইদনা রেইদশিং পাঙথোকপা ফাওবা য়াহনখি।

অফ্রিকোমগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, লোকল মীয়ামদা অশোই-অঙাম থোকহন্দবা হায়বসি ঐখোয়গী মরু ওইবা পান্দম অমনি। মদুগীদমক্তা ঐখোয়না মতিক চাবা প্রোসেস পায়খৎলি। অসিগুম্বা প্রসিজরশিংগা লোয়ননা প্রিসিজন ষ্ট্রাইক কেপিবিলিটিজনা মীচমশিং অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রক্টচরদা শোকহন্দে।

চয়োল অসিদা য়ু এসনা চখ্থিবা এয়র ষ্ট্রাইক অমদা মীওই মরি শিখিবনি। অমনা মোবাইল ফোন কম্পেনি অমগী ইমপ্লোয়ী অমনি অদুগা অহুম্না মশক খঙদবা পেসেঞ্জরশিংনি হায়না ভিক্তিমশিংদুগী মনুংদগী অমগী মরী-মতানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ন্যুজ এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখি।






# ইস্লামিক ষ্টেটকী ফাইটর খরনা মখোয়গী অরোয়বা লম মচেৎ কন্নবা হোৎনরি

দৈর অল-জোব (সিরিয়া, মার্চ২০(এজেন্সী):

ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী লৈহৌরিবা ফাইটরশিংনা য়ুফ্রেটিস তুরেল মপান্দা লৈবা মখোয়গী অরোইব লম মচেৎ কন্নবা কন্না হোৎনরিঙৈ য়ুমশকৈশাগী অঙনবদা সিরিয়াগী নোংপোকথংবা শরুক্তা লৈবা বাগহৌজগী মনাক্তা ৱার প্লেন কয়া পাইখ্রে।



মফমদুদা মায়থিবা নংবা হায়বসি অলত্রা -হার্দলাইন ইস্লামিষ্ট মুভমেন্ট অদুনা ইষ্টর্ন সিরিয়া কন্ট্রোল তৌরক্লিবদু লোইশিল্লগনি হায়বগী ঈঙ্গিৎনি হায়না লৌগদৌরিবনি। কুমজা ২০১৪ গী মতম অমদা গ্রুপ অদুনা সিরিয়া অমসুং ইরাক্কী শরুক অহুম থোকপগী অমা হেন্না পায়শিন্দুনা লমদম অদুদা অচৌবা কলিফেট অমা শেম্নবা হোৎনখি। য়ু এসনা শৌগৎপা সিরিয়ন দেম্মক্রেটিক ফোর্সেস (এস দি এফ)না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, বাগহৌজ টাউনদা লৈহৌরিবা ইস্লামিক ষ্টেটকী ফাইটরশিং মখোয়না কেম্প অমগুম্না শেন্নগা লৈবা মফম অমদগী তকথোকখ্রে। মফম অদু ইস্লামিষ্টশিং অদুগী লেমহৌরিবা লমগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি। তৌইগুম্বসুং ইরাক্কী বোর্দরগা তাইনবা বাগহৌজ খুদুম চনবনা চহী নিপাল শুরক্লবা সিরিয়াগী লানদা শিংথানিঙাই ওইরবা খোঙথাং অমা ওইরগনি হায়বা তারবসু ইস্লামিক ষ্টেট অসি মখা তানা থ্রেট অমা ওইনা লৈখিগনি হায়রি।

গ্রুপ অদুগী ফাইটর খরদি হৌজিকসু সিরিয়াগী ময়াই থংবা লৈকংলাগী লমদা লোত্তুনা লৈরি। অতৈনা লৈঙাক্তা অকাইবা পীনবগীদমক্তা লালহৌ অমা চখ্থনবা ইরাক্কী সিটি কয়াদা চঙশিন্দুনা লোন্না থুপ্না লৈশিনখ্রে। এস দি এফকী স্পোক্সমেন অমা ওইরিবা মুস্তাফা বালিনা লৈবাকপোকপগী অথেংবদা ফোঙদোকখিবদা য়ুফ্রেটিসকী মফম কয়াদা মিলিটেন্টশিংগা খুৎ থোক্লরি।

# ব্রেক্সিটকী মতম তেন্না য়ৈথোক্লবা পি এম মেনা হায়জরগনি



লন্দন, মার্চ২০(এজেন্সী):

পার্লিয়ামেন্টতা দিল অমা রেতিফাই তৌহনবা ঙমদবদগী য়ুনাইটেদ কিংদমনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকপগী ৱাফম লৈখায় তাদবা ফিভম অমদা লৈখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ব্রেক্সিটকী মতম ইশাং শাংদনা য়ৈথোকপিনবা হায়জরগনি।

য়ুনাইটেদ কিংদম অপুম্বনা ভোট লৌনদুনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোক্ল বা লৈবাক্কী ওইবা ৱারেপ লৌখিবা চহী অহুম্লোম ফারক্লবা মতম অসিদা পোলিটিসনশিংনা মালেমগী মঙাশুবা খ্বাইদগী চাওবা ইকনোমি অদু করম্না, করম্বা মতমদা ঈ য়ু থাদোক্কদবগে নৎত্রগা ব্লোক অদু শোয়দনা থাদোক্কদৌরিবরা হায়বগী মতাংদা মরৈ তৌনদুনা লৈরি। কুমজা ১৯৭৩ দা য়ু কেনা হৌনবী মতুং ইন্না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা য়াওখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর মেনা চঙী অনীগী মমাঙদা ফোর্মেল আর্টিকল ৫০ দিভোর্স পেপরশিংদা সাইন তৌদুনা য়ুনিয়ন থাদোকপগী মতম মার্চ ২৯ দা য়াথোকখিবা মতমদা মহাক্না মতুংদা অহোংবা অমত্তা লৈরোই হায়না লাউথোকখিবনি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না ঈ য়ু গা য়ানখিবা দিভোর্স দিল অদু পার্লিয়ামেন্টনা রিতিফাই তৌ হায়বা য়াদবদগী মহাক্কী লৈঙাক ক্রাইসিস অমা মায়োক্লরকখি। হৌজিক এগজিটকী মতম নুমিৎ ৯নিদা ঙাইশিল্লক্লবা অসিদা মেনা য়ুরোপিয়ন কাওন্সিলগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড তক্সতা মতম শাংদনা য়ৈথোকপিনবা হায়জগদৌরি। মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা দাউনিং ষ্ট্রীটকী ছোর্স অমনা ফোঙদোকখিবদা, মেনা মতম শাংনা য়ৈথোকপীনবা হায়গদবা নত্তে।


ADMISSION IN SAINIK SCHOOL CHANDRAPUR, MAINPURI & JHANSI
SAINIK SCHOOLS ENTRANCE EXAMINATION : 2019-20
ONLINE ADMISSION NOTICE

The All India Sainik School Entrance Examination (AISSEE) for admission to Class-VI for the academic session 2019-20 in respect of **Sainik School Chandrapur, Maharashtra, Sainik School Mainpuri, UP and Sainik School Jhansi, UP** will be conducted on **21 Apr 2019 (Sunday).** In order to be eligible to take the exam for admission to Class-VI should be between the age of 10 to 12 years as on 31 Mar 2019.

15% and 7½% seats are reserved for admission of boys belonging to Scheduled Castes and Scheduled Tribes respectively. Out of the remaining, 67% of the seats will be reserved for boys from the State in which the Sainik School is located. Balance 33% left over of seats will be thrown open to boys from other States and Union Territories in the ratio of their male population and unutilised seats in this category will be merged with home State seats in order of merit. 25% seats are also reserved for the boys of service personnel including ex-servicemen.

The last date of online registration will be **29 Mar 2019.**

Interested applicant may visit **http://sainikschooladmission.in/index.html** for details.

Sd/xxx
Principal, Sainik School Imphal

HL-B/5301/21